মতেং পাংলম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস): তমথিরবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মায়োক্লনবা মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা কন্না হোৎনরিবা মনুং অসিদা মুসলিমশিংগী ঈদ-উল-অদাহ ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা খুরাই এ সীগী সোসল ৱর্কর হৈস্নাম সুভাসনা অঙম্বা তেংবাঙ পোৎলমশিং পীবিরকপা খুরাই হৈক্রুমখোঙগী মুসলিমশিংনা থাগৎপগা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাক্লা তৌরুবা থবকশিং মায় পাকপা ওইরসনু হায়রি। ফেষ্টিবেল অসিনা লাকপদা লমদম অসিগী লৈমায়দা লৈরিবা ফত্তবা অরানবা তৌবা পুম্নমক মরূ ফংনা মাঙহনখিবা ওইরসনু। লোয়ননা অফবা অচুম্বা তৌবা মীওইনা ইরমদম অসিগী লৈতেং ওইরসনু হায়রি।

পোজিটিভ কেস...

লামায় ১গী মখা... থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৯৬৩ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৮৪,৮২২ (জেনরেল পোপ্যুলেসন-৮০,৮৮৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল -৩,৯৩৭ শুরে। অদুগা লায়না অসিদগী রিকোভর তৌখ্রবা অপূনবা মীশিংনা ৭৩,৭৭০ (জেনরেল পোপ্যুলেসন-৬৯,৯২৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩,৮৪৬) শুরে হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা এক্টিভ কেসশিংগী অপূনবা মশীংনা ৯,৬৭৬ (জেনরেল পোপ্যুলেসন-৯,৫৯০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল-৮৬) নি হায়রি। ঙসি ফাওবদা লৈখিবা রিকোভরি রেটনা চাদা ৮৬.৯৭নি হায়রি। অদুগা ঙরাং ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১০,৩৬,১২৪ (ফর্ষ্ট দোজ-৯,২২,৮৪৭ অমসুং সেকেন্দ দোজ-১,১৩,২৭৭) নি হায়রি।

এন আর এফ ...

লামায় ১গী মখা... মীয়ামগীদমক পুন্সিগী অরোইবা পুংফম ফাওবা মীয়ামগী হায়বা খোঙফমদগী হন্দে দাকখিদ্রবী অতাঙবী ইমানি। লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনিবু হায়রবদি অৱা অনা মায়োক্লবদা নীংহন্নদনা মাঙজিল থাবদা হালেংবা লৈখিদ্রবী ইমানি।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০০৪গী জুলাই ১১দা ইন্দিয়াগী লান্মী এ আরনা মনোরমাবু নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লবা মতুং মীহাৎ থীনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বগী মায়োক্তা জুলাই ১৫, ২০০৪দা কংলাগী নোংচুপ থোঙদা ইমা ১২না মশাদা ফি থোংদনা শারমচৎ চৎপা ইন্দিয়ন লান্মী শিংনখিবদা ইমা মোমোনসু শরুক য়াখিবীনি। মণিপুরগী চীং তমগী খুঙ্গং খুনয়া মফম শীন্না চৎতুনা ইন্দিয়ন আর্মিশিংনা ওৎপী নৈবীরবা কয়াগী ৱাকৎ তারগা মদুগী মায়োক্তা লেপ্পুনা অচৌবা খোঙজং চঙবগী লুচিংখি। খুন্নাই অসিগী মথোং হুক্রুবা নুপা নহা কয়াগী নমজা নমথেক্তা অৱাবা তারবী নুপী কয়াগী ৱাকৎ তাদুনা অচুম অরান থৌদোক কয়া ইমানা লুচিংদুনা ৱাখৈখি। লোয়ননা ময়াই কারবা চিঞাক্লা নৈহৎলবা ইরমদমগী অৱাবসি কোক্লনবা মাঙজিল থানা থবক কয়াগী লুচিংলম্বী ইমাগী থৌ কয়াদি শিংথাবদা ৱাৎলগনি হায়রি। থোইদোক হেন্দোক্লবী ইমানা লৈখিদবা অসি য়াম্না চাওনা লমদম অসিগী মাঙজরে হায়বসি অচুম্বনি। ইমানা লৈখিদবা অসিদা ইমুং-মনুং অমদি ইমাগা শেৎন-খায়নবদা অৱাবা ওইহৌরবা খ্বাই পূম্বগী অৱাবদসু এন আর এফ এমনা শরুক য়াজরি হায়রি।

অশিবা হকচাং...

লামায় ১গী মখা... ১৭৪গী মখাদা অন নেচরেল দেথ (য়ু দি) কেস নম্বর ৪/সিটি পি এস/২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। লৈখিদ্রবগী হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা হৌজিক জেনিমসকী মোর্গতা থল্লি। অদুবু হকচাং অদু দি কম্পোজগী ষ্টেজদা লাকপদগী তঙাইফদনা অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক য়েংলগা দিস্পোজ তৌদবা য়ারক্লে হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.118309
US Dollar	74.638498
British Pound	102.777452
Australian Dollar	55.220488
Chinese Yuan Renminbi	11.520058
Japanese Yen	0.678236
Malaysian Ringgit	17.732019
Singapore Dollar	54.994404
South Korean Won	0.065349
Saudi Arabian Riyal	19.903599
Thai Baht	2.275159

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47952.00
Mumbai	–	Rs	48330.00
Delhi	–	Rs	48234.00
Kolkata	–	Rs	48650.00

GAS NEWS

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK.
BOOKING UPTO.18/07/2021.
VALID FROM.07/07/2021.
FOR HOME DELIVERY.
M.NO. 9089177227 & 9366597565.M.BOOKING OFFICE-9089161416.
CONT.TIME.8.00AM.TO.11.00am
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking-- Upto Date(14.2kg)
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

দি এল এস এ, সেনাপতিনা ওনলাইন এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস) : মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি, সেনাপতিনা মাওদা লৈবা অসুফু খৃষ্টিয়ন ইন্সটিট্যুটকা খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ওনলাইন এৱ্যের্নেস কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোয়শিং অমসুং মখোয়গী পেরেন্টশিংগীদমক পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ওনলাইন এৱ্যের্নেস কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অসি ভারতকা অমরুট মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

প্রোগ্রাম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্ট, সেনাপতিগী এদিসনেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর কোসিয়া মাওনা 'রাইটস ওফ ৱিমেন' হায়বসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। অদুগা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) গী মেম্বর ইলিজাবেথ ফজাংনা 'ৱেলফেয়র স্কিমস ওফ সেদ্যুল্ড ত্রাইব' হায়বা টোপিকসিগী মতাংদা রিছোর্স পর্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি।

প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা শরুক য়াখিবা অসুফু খৃষ্টিয়ন ইন্সটিট্যুটকী ওজা, মহৈরোয় অমসুং মহৈরোয়শিংগী পেরেন্টশিংগগী মরক্তা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

ঙসিগী ওনলাইন এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসিদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী সেসন্স জজসু ওইরিবা দি এল এস এ সেনাপতিগী চ্যেরমেন সামোম ইবজেন, দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরি ওইরিবী এ তরুনাকুমারি, মাওগী জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস কে এস ঐচ মহেতা, দি এল এস এ সেনাপতিগী ফ্রন্ট ওফিসকী রিটেনর লোয়র এস মেরিসেনাসু শরুক য়াখি।

চেন্নবা মীওই ৬কা লোয়ননা লুপা ...

লামায় ১গী মখা... খোমৈ কৌই হায়রি।

হিরোইন পাওদরশিং অসি পান কাদ অমগা লোয়ননা ৱাশিম অক্রমদগী নুংথিল পুং ৫.৫০ রোম তারকপদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস দি সী/ব্রাঞ্চ ওফিসর নিংথৌজম রতনকুমারনা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট ওইরগা চথখিবা ফোর্মেলিটিশিংগী মতুংইন্না ফাগৎখিবনি হায়রি।

এস পিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ফাগৎলবা মীওই অনীসিগী মনুংদগী ৱাশিম অক্রমনা হায়দোরকপদগী ঙরাং নুংথিল পুং ৬.২০ লোম তারকপদা ন্যু চেক্কোন মান্দোব লৈরক্তগী নিংথৌখোংজম নিলচন্দ্র (২৭) অপোকপা এন পুলিন্দ্রো অমসুং লিলোং খুনৌদগী রিজৱান খান (২৬) অপোকপা ইব্রাহিম খান কৌবা মীওই অনীখকসু হঙ্গামপাল মচুগী স্কুটি ভেসপা অমা (এম এন -০১/এ-দি-১২৪০) অমসুং সিম কার্দ য়াওবা অঙৌবা মচুগী রিএলমি মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফাগৎখি হায়রি।

ফাগৎখিবা দ্রগশিং অসিগা মরী লৈননা মীওই মরি অসি ফাগৎলবা মতুংদসু নিংথৌখোংজম নিলচন্দ্রনা হায়দোরকপদগী ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদনা তেংনৌপলগী মাওজাং ভিলেজদগী তোংখোজাং বাইতে (৩৩) অপোকপা থোংখোজাং বাইতে অমসুং মোরে ৱার্দ নম্বর ৱান্দগী হেমখোমাং বাইতে (২৭) অপোকপা জামহোল বাইতে কৌবা মীওই অনীখকসু মোবাইল ফোন (ওপ্পো) অমগা লোয়ননা সিম কার্দ ১ অমসুং তোংখোজাং বাইতেগী মীংদা লৈবা অধার কার্দ (নম্বর ২২১২৪২১২০৫৪০) গা কোন্ননা ফাগৎখি হায়রি। ফাগৎলবা হিরোইন পাওদরশিং অমসুং মসিদা চেন্নরিবা মীওই ৬ অসিগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নরগনি হায়নসু এস পিগী মায়কৈদগী পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংগী মীওইশিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস): বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট কাওন্সিল মেম্বর অমদি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লম্লাই মন্দলগী চ্যেরমেন কেঐচ ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা লম্লাই এ সীগী মনুং চনবা ইতম নুঙ্গৈইদা মীওই ৮ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ১৯, শওম্নুংদা মীওই ৪ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৭, শওম্নুং কবুই খুঞ্জাওদা মীওই অমা পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্টতা লৈরিবা ৩, নুঙ্গৈইদা মীওই ৪৮ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্টদা লৈরিবা ৪৩, চলৌদা ১ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ২, নাপেৎতা ১ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ৭, সৈজাংদা ১ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৬, লম্লাইদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ২দা তেংবাঙ পোৎলম পীখ্রে। তেংবাঙ পোৎলম ওইনা হৱাই, থাও, আলু, থুম, তিলহৌ, চিনিনচিংবা পীখি।

থৌরমদুদা শওম্নুং জি পিগী প্রধান এন ধনেশ্বর, বি জে পি লম্লাইগী প্রসিদেন্ট ঈ অমিতকুমার সেক্রেটরি এল শ্যামনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরমগা মরী লৈননা কেঐচ ইবোমচানা হৌজিক কোভিদ লাইচৎ দেল্টা ভাইরেল পাক-শন্না শন্দোরক্লো মরম অদুনা মীয়াম্না হেন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা তঙায় ফদে। মীয়াম্না কোভিদ টেষ্ট তৌদুনা পোজিটিভ ওই-ওইদে খঙদোকপগা লোয়ননা মতম চানা ভেক্সিন কাপথোকসি অমদি এস ও পি ঙাকমিন্নসি হায়খি।

নুমিৎ ১০নিগী টোটেল কর্ফিয়ুগী অহৌবা নুমিৎতা পুলিসনা খম থেংনা চেকশিন থৌরাং ...

লামায় ১গী মখা... লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নদুনা অয়ূক অঙনবদগী হৌরদুনা মখোয় মখোয়গী দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লে। কর্ফিয়ু অসিগী অথিংবদগী কোমথোক্লিবা অকক্লবা ইসেন্সিএল এক্টিভিটি/সর্ভিসশিংগা মরী লৈনবা মীওইশিং নত্তনা মীয়াম পুম্নমক য়ুম য়ুমদগী হেন্দোকপীগনু হায়বগী ৱাফমশিং লাউথোক্তুনা খঙহনখি।

করিগুম্বা ঙসিদগী হৌদুনা চথরক্লিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসিবু কনাগুম্বশিংনা থুগাইরক্লগদি অদুগুম্বা মীওইশিং অদুগী মথক্তা মরী লৈনবা লোগী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং চপ চানা লৌখৎকনি হায়বা ৱাফমশিং ফাওবা ফোঙদোকখি।

পুলিসকী মায়কৈদগী মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা কর্ফিয়ু অসিগীদমক খম থেংনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলকপদগী চীং অমসুং তমগী খেন্নবা লৈতনা মফম পুম্নমক্তা লৈরিবা মীয়াম তিনবা মফমশিং য়াওনা খুন্তাক লানশিখি। লম্লাই মীওইশিংগী মরক্তগী খরনা মখোয়না শীজিন্নবা গাড়ী মচা অমসুং অচৌবদা 'হোস্পিটাল দ্যুটি, হোস্পিটাল চৎপা, অনাবা পুবা নৎত্রগা লায়েংবা চৎপা' হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ইবা চেরোলশিং থেৎতুনা লম্বীদা থোরকপা মীওইশিং ফাওবা পুলিসকী মায়কৈদগী খামদুনা ভেরিফিকেসন তৌখি।

কোভিদ-১৯গী টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসনগা মরী লৈনদবা অমসুং কর্ফিয়ু অসিনা কোমথোক্লিবা মেদিকেল সর্ভিসশিংগী মনুংদা হোস্পিটাল/ক্লিনিক/ফার্মাসিশিংগা মরী লৈনদবা মীওইশিংদি হায়রিবা ৱারোলশিং অসি ইদুনা থেৎলগা থোরক্লবসু চৎথোক চৎশিনগী অয়াবা পীখিদে। চীং অমসুং তমগী মরু ওইবা মফম খরদদি পুলিসকী মায়কৈদগী য়োৎকী বেরিকেটশিং ফাওবা শীজিন্নদুনা লম্বী থিংখি। অদুগা তঙাইফদবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসিনা কোমথোক্লবা ইসেন্সিএল সর্ভিসশিংগা মরী লৈনবা মীওই খক্তমক খন্দোক্লগা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহনখি। মফম খরদনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগাইদুনা থোরকপা মীওইশিং ফাদুনা ৱাখল তাহনবা অমসুং হান্নদগী লৌখৎলকপা এক্সনশিং লৌখৎপগী পাউসু ফংখি।

মরু ওইনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা জুরিসদিক্সন ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এরিয়াদা কর্ফিয়ুগী দ্যুটিদা দিটেন তৌখিবা পুলিস পর্সনেলশিংবু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পিগী মায়কৈদগী হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্ক অমদি থক্লনবা ঈশিংনচিংবা কোয়না চৎতুনা য়েন্থোকখি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগীসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পুলিস পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌদুনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগাইদুনা লাকপা মীওইশিং ফাগৎখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংদা দিষ্ট্রিক্ট পূম্বদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমজিনখিবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টসু খুন্তাক লানশিবগা চপ মান্নখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা অচৌবা কৈথেলশিংগী মনুংদা খোংজোম, ৱাংজিং, খাংঙবোক, য়াইরিপোক অমসুং লিলোংনচিংবদা লৈবা দুকানশিং থোঙ হাংনখিদে। লৈকায়গী মফম খরদা অমসুং লৈরক্তা ফম্নরম্বা পোৎফম ফম্বীশিং ফম্ন খিদে। মরু ওইনা পনবা য়াবদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা চেকশিন্না ঙাক্লবা হোৎনখিবা পুলিসকী মায়কৈদগী লোকল ক্লব অমদি কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সশিংগী ভোলুন্টিয়রশিংগা লোয়ননা লায়না অসিবু লাকশিন্নবা অমদি কর্ফিয়ু থল্লিবসিগী মরম মীয়ামদা শুগাইনা খঙহন্নবগী মতাংদা লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নদুনা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থবকনচিংবসু পাঙথোকখি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১৬তা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরপর্সনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমারনা থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না টোটেল কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসি ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৭ ফাওবা চথগনি হায়খিবনি। অথিংবা অসিগী মনুংদা কোমথোক্কনি হায়খিবশিংনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন/টেষ্টিংগী থবক, হোস্পিটাল, ক্লিনিক অমসুং ফার্মাসিশিং য়াওনা মেদিকেল সর্ভিসশিং, ৱাটর সপ্লাই, পৱার সপ্লাই, পুলিস, টেলিকোম/ইন্টরনেট সর্ভিসশিং, এয়র ত্রাভেল, এগ্রিকলচর/হোর্টিকলচর, গার্বেজ ক্লিয়ারেন্স, পেট্রোল পম্পশিং, এল পি জি দিষ্ট্রিব্যুটর, গুদস ত্রকস অমসুং প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী থবক থৌরমশিংনি।

লম্লাই এ সীগী মীয়ামগী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহনবনা ঐগী পান্দমনি ...

লামায় ১গী মখা... মপুং ফানা থবক তৌগে হায়বগী পান্দমদা থম্মোয় শেংনা চোংথোকচরকপনি। লম্লাই এ সীগী মীয়ামগী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহন্নবনা ঐগী অমত্তা ঙায়রবা পান্দমনি।

ৱাহং : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্বালিফিকেসন তৌখিবগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই?

পাউ : হোয়, লৈঙাক অমা পাল্লবদি অফবসু লৈগনি ফত্তবসু লৈগনি। হৌজিকমক্কী ঐগী ওইনা ফৈ-ফত্তে হায়বগী মতম য়ৌদ্রিবরা হায়না খল্লি। অদুবু মরুওইনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংবু য়াম্না ফজনা মপুং ফানা শেমগৎনবগী থবক পায়খৎহন্নিংই। দিসক্বালিফিকেসনগী মতাংদা তশেংনা ৱা হায়নিংদে। মরমদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা অমনা মীয়ামগী খন্দনা থবক তৌরকপা অসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি, মীয়ামগী থাজবা মাঙহনবা হায়বদু ওইরে। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা চোংথোক-চোংশিন তৌবসি তৌহন্নিংদে। ওপোজিসনদা লৈরবসু মীয়ামগী অৱাৎ-অপা য়েংবিরম্লবদি অমুক্কা হেন্না মীয়াম্না নুংশিরমগদবনি।

ৱাহং : করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুমফম ওইরগা মীয়াম মাংদা পুখৎতুনা লাম্থেংনগে খনবিরি?

পাউ : মণিপুর ষ্টেট কোঙ্গ্রেস পার্টিগী কো-ওপটেদ মেম্বর অমা ওইনসু হৌজিক থৌ পুদুনা লৈরি। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা মীখলদা কোঙ্গ্রেস পার্টিদা অদুমক ভোট লেপকনি। লমদম অমা চাওখৎপা হায়বসি লমদম অদুগী নহাশিংগী অচৌবা রোল লৈ। মরম অদুনা হৌরক্লিবা নহাশিংনা থবক ফংদনা লৈরিবা ইস্যু অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ইলেক্সন থেংনগনি।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : ঐগী পোকপীবা ইমা মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা মতুংদা লৈখিদে। অদুবু ওল্ড এজ পেন্সনগী লুপা অমা ফাওবা ফংখিদে। ঙসিসু কেন্দ্র অসিদা চহী ৬০ হেল্লবা ইমা কয়া অমা ওল্ড এজ পেন্সন ফংদনা লৈরি। মসি কনানা তৌবিগদবনো? এ সী অসিগী মীহুৎনা শিনবিগদবনি। মরম অদুনা অহানবদা চহী ৬০ হেল্লবা ইমাশিংবু ওল্ড এজ পেন্সন ফংহনবা; লৈঙাক্কী স্কুল কয়া মথৌ তৌদনা লৈরিবা অসি মথৌ তৌহনবা; চহী ১৮গী মমাংদা শওম্নুংদা শাখিবা এস দি ওনচিংবগী ওফিসশিং ইরাং ফত্তে হায়না পোরোমপাৎতা হোংগৎখি। অদুবু হৌজিক্তি ইরাং ফরবনিনা পুথরক্লবা হোৎনগনি। মাগী-মাগী চানবা থবকশিং পীনবা হোৎনগনি। লম্বী-থোং মতিক চানা শেমগৎপা অমদি মরুওইনা চহী কয়াদগী লৌমীশিংনা ঈশিং ফংদবদগী ৱাদুনা লাক্লিবা অসি কোক্লনবা ইথৈ-লৌখোং শেমগৎকনি। লোয়ননা অতৈ মরুওইবা এ সী অসিগী তৌগদবা থবক কয়া অমসু লৈরি। মদু শোয়দনা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৪ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : মতম কয়া মীপাল তাংনা সেন্টরগী য়াকা য়েংদুনা লৈরুবা অসিসু মরম অমনি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদনা মশাগী ওইবা চাওর-চাওরবা ইন্দষ্ট্রি, ফেক্টরি অমদি তোঙান-তোঙানবা শেন্থোক লম্বী ইনকম লাক্লবা লম্বী লৈজে অদুবু ষ্টেট অসিগীদি লৈতে। অদুবু ঙসিসু মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবিরম্বা লমদম অসিগী পোৎশকশিংবু মপুং ফানা মতমগা চান্নবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎতুনা হোৎনরবদি খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলক্কনি হায়না খল্লি।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : বোটানি ওনর্সতা বি এস সী লোইশিনখ্রে। ইমা-পাবুং অনীমক লৈখিদ্রে। অপোকপগী মীংনা অচোইবম রবুঙ্গো অমদি অপোকপী ইমাগী মীংনা অচোইবম ওংবি ইবেমহল কৌই।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়না পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : ভোট মমাংদা থবক অদু তৌগনি, অদা তৌগনি হায়বনচিংবা হায়রগা ভোট কারবা মতুংদা থবক তৌনরক্তবনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না তশেংনা শাউই অমদি পেন্নদে। মরম অদুনা মীয়াম্না চাদা ৭০/৮০ দি থবক তৌদে হায়নরিবনি। অদুবু ঐগী ওইনদি ঐনা তৌবা ঙমগদবা, ঙমগনি খনবা থবক খক্তা তৌগে হায়বা মরমনা অদুমক মপুংফানা তৌবা ঙমগনি। চহীসু য়ামদ্রিবা মরম্না পোলিটিক্সকী লম্বীদা চৎকদবা লম্বী য়াম্না শাংনা লৈরি। মরম অদুনা তৌবা ঙম্লোইদবা থবক তৌগনি হায়রোই। মীয়াম্না য়াগদবা অমদি মীয়ামগা পুল্লগা থবক তৌগে খল্লি। হৌজিকসু অতৈ থবকশিং তৌবগা লোয়ননা ইশাগী শেন্থোক্কী মতুংইন্না ঙমজবা খরদং ওইনা থা খুদিংগী হৌজিক্কী ওইনা লম্লাই ম্যুনিসিপালিটিনা কোনবা লম্লাই, চলৌ, নাপেৎ, পুদোংবম উয়ুং মখোংদা লৈবা অহল ওইরিবি নুপীশিংদা লুপা ২০০ অদুগা মপুরোইবা লৈখিদ্রবী নুপীশিংদনা থাগী লুপা ৪০০ খক্তা ওইরবসু পুন্না মীওই ৪৫০ রোমদা চাওরাক্লা চহী মরিরোমদগী মতেং পীদুনা লাক্লি। করিগুম্বা মীয়াম্না নুংশিবিদুনা লাক্কদৌরিবা মীখলদা ভোট কাহনবিদুনা এম এল এ অমা ওইহনবিরবদি এ সী অসিগী লৈরিবা অহল ওইরবী নুপীশিংগী অমদি অহল ওইরবা নুপাশিংগী ফংফম থোকপা ওল্ড এজ পেন্সন অমদি ৱিদো পেন্সনসু ফংহন্নবা লৈজবা থাক্তা হোৎনগনি।

ৱাহং : এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি অসিগী টোটেল ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন লোকেল ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ : ভোটর মশিং লিশিং ৩০ হেন্না লৈ। পোল্লিং ষ্টেসননা ৪০নি। নন লোকেল ভোটরদি লৈতে।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : হোয়, অচুম্বা ৱাফমনি। অদুবু পোলিটিসিয়ান খুদিংমক লোইনা ফত্তে হায়বদি য়ারোই। মীওই খরনা চেন্থহনবনি। লমদম অসিগী এম এল এ ৬০গী মনুংদা য়াম্না ফবা লৈবাক মীয়ামগী খনবা পোলিটিসিয়ান কয়া অমসু য়াওরি। থম্মোয় শেংনা লৈবাক মীয়ামগী থবকপু তৌরবদি করিগী ফত্তনা ঙাঙনরুনি। মীয়ামগী লুচিংবা লময়ানবা ইরাবোৎ ঐখোয় পূম্নমক্লা ঙসিসু নীংশিনরি। মরম অদুনা পোলিটিসিয়ানশিংবু ফত্তনা ঙাঙনরবসু পোলিটিসিয়ানশিংগী মরক্তা অফবা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থবক তৌবা পাম্বা কয়া অমসু য়াওরি হায়বা এগজামপল সেট তৌবা পাম্বা অমদি তশেংনা লম্লাই এ সী অসিগী থবক তৌবা পাম্বনা পোলিটিক্সকী লম্বী অসিদা চঙলকখিবনি।

ৱাহং : করসপন চাওনা লৈরে পুম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : ইশামকসু গভর্ণমেন্টকী থবক অমতং ফংজরবদি হায়দুনা কন্না হোৎনরম্মী। অদুবু য়ুমগী লৈত-লায়রবা অমদি শেল থুমগী ফীভম ফত্তবনা গভর্ণমেন্ট থবক তৌবা ফংখিদে। লমদম অসিদগী করপসন মরু ফংনা হেক মুথৎপা ঙমদ্রবসু লৈরিবা এম এল এ ৬০, লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অমদি লৈবাক মীয়ামগা পুন্না পুকচেল খোইজেল তিন্ননা চৎমিন্নরবদি করপসন খরা মখৈদি হন্থহনবা ঙমগনি খল্লি।

ৱাহং : লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঙাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্লা থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঙাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : থবক শুফম-নোম্ফম খঙদনা লৈবা নহাশিংনা অয়াম্বা ময়াই কাবা চিঙাক শীজিন্নবা ওইগল্লি। মরম অদুনা লমদম অসিগী নহাশিংদা মাগা-মাগা চান্নজবা শীনফম অমমম পীবিবা ঙম্নবা হোৎনরবদি ময়াই কাবা চিঙাক্তগী খরা মখৈদি লাপথোক্লা থম্বা ঙমগনি খল্লি।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : থবক ফংদনা লৈরিবা নহাশিংগীদমক পায়খৎপা য়াবা অমদি তৌবা য়াবা থবক কয়া অমদি লৈখ্রে। শুপ্পগী লৈজরিবা কেন্দ্র ৬০গী এম এল এশিংনা মাগী-মাগী কেন্দ্রগী ওইনা লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী চহী অমগী ওইনা থাদরিবা লুপা ক্রোর ৫/৫ অদু ফজনা শীজিন্নদুনা থৌরাং-থৌশিল কয়া পুকচেল শেংনা পায়খৎলবদি লমদম অসিদা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম অসি চাং য়াম্না হন্থহনবা ঙমগনি। লোয়ননা মীয়াম্নসু লৈঙাক্কী থবক তৌবা খক্লা থবকনি খন্নরিবা ৱাখল্লোল অসি হোংদোকপা মথৌ তাই। ইশা-ইশানা হৈজরিবা শিনফম অদু ফজনা শীজিন্নরবদি শেন্থোক লম্বী লৈনা ঈংনা-চিক্লা হিংবা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা লৈঙাক্কী থবক তৌদ্রবসু লৈজরিবা ইশাগী লৌফম অদুদা ঙা য়োকপরা, এঞ্জাং-নাপী থাবরা নৎত্রগা মতম-মতমগী চানবা থবকশিং তৌবা য়াই। লৌ য়োন্থোক্লগা লৈঙাক্কী থবক তৌবগী ৱাখল, তনবগী থবক অমদি গভর্ণমেন্টকী থবক তৌদ্রবদি হিংবা ঙম্লোইদবগী অপিকপা ৱাখল্লোল থাদোকমিন্নসি।

চহী ৯ লোমগী মমাঙদা মণিপুরগী স্লাউটর হাওসশিং য়েংশিন্নবা ...

লামায় ১গী মখা... অদুবু থবক্তা ওন্থোকপনা ওইগদবনি হায়রকখি।

লোয়ননা কম্মিটি অসিনা পাঙথোকফম থোকপা থবকশিংনা লোকল সেল্ফ গভর্ণমেন্টশিংগী এরিয়াদা লৈবা স্লাউটর হাওস পূম্নমকপু মশক খঙদোক্তুনা মখোয়গী লিষ্ট অমা শেম্বা, স্লাউটর হাওস লিংবদা ঙাক্কদবা লোশিংগা মরী লৈননা স্লাউটর হাওসশিংগী কন্দিসন/ফঙ্কসনিংগী মতাংদা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফুদ সেফটি ইন্সপেক্টরশিংদগী রিপোর্ট খোমজিনবা, অরিবা স্লাউটর হাওসশিংবু মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎনবগী রেক্কমেন্দ তৌবা অমসুং রেসিদেন্সিএল এরিয়াশিংগা নকশিন্ননা অমসুং হায়রিবা এরিয়া অসিগী মনুংদা লৈরম্বা স্লাউটর হাওসশিংবু মফম চাবদা হোংদোকহনবা, স্লাউটর হাওসশিংদা শীজিন্নগদবা শাশিংগী ক্রুএলিটিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক থবক লৌখৎপা অমসুং মখোয়গী সোলিদ ৱেষ্ট, ৱাটর/এয়র পোল্যুসন থোকহন্দনবগী চপ চাবা থবকশিং লৌখৎনবা খঙহনবা অমসুং স্লাউটর হাওসশিংদা চাং নাইনা সর্প্রাইজ ইন্সপেক্সনশিং চথবগা লোয়ননা মখোয়না ঙাক্লা চৎকদবা দিরেক্সনশিং ইস্যু তৌবনচিংবা য়াওরি হায়রি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মাহুদ দিপার্টমেন্টনা দিসেম্বর ১৯, ২০১২দা থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না ষ্টেট কম্মিটি ফোর স্লাউটর হাওস শেম্লবা মতুংদা কম্মিটি অসিনা স্লাউটর হাওসশিংগীদমক লৌখৎফম থোকপা লাইসেন্স পীবা অমদি রেজিষ্ট্রেসন তৌহনবনচিংবগী য়াওনা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবগীদমক দিসেম্বর ১০, ২০১৪দা দেপ্যুটি সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) গী মায়কৈদগী সেক্রেটরি (মাহুদ) তা অইবা চেরোল অমা পীখি।

কম্মিটি অসিগী নোদল দিপার্টমেন্টসু মাহুদনা ওইবনিনা স্লাউটর হাওসশিংগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপগী মোনিটরিং তৌনবগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি। মসিগীদমক দিসেম্বর ২৯, ২০১৪দা দেল্লীদা ষ্টেটশিংগী ফুদ সেফটি কম্মিস্নর/প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) শিংনা শরুক য়াগদবা ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (ফসাই) গী সেন্ট্রেল এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফম অমসু য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা পাঙথোক্কদৌরি। মসিদা মণিপুরবুসু শরুক য়াননবা খঙহল্লক্লে হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকখি হায়রি।

লোয়ননা মণিপুরগীদমক্তা শেমখিবা কম্মিটি অসিনা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা এনফোর্সমেন্ট দিভিজনগী ফসাইগী দিরেক্টর (এনফোর্সমেন্ট) না হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম অমসু নবেম্বর ১০, ২০১৫দা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অন্দর সেক্রেটরি (হেল্থ) না পীখি হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা কম্মিটি অসি শেমখিবা চহী ৯ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা স্লাউটর হাওস (শা ককফম) শিং অসি সেন্ট্রেল নৎত্রগা ষ্টেটনা পীবা লাইসেন্সশিংগী মখাদা মখোয়গী থবক থৌরমশিং চথহল্লক্তবগা লোয়ননা হায়রিবা শা ককফমশিং অসিগী মনুংদগী রেজিষ্ট্রেসনগী থবক ফাওবা তৌহল্লমদ্রে হায়রি।

তশেংনমক্তি লৈরিবা লৈবাক অসিগী মরী লৈনবা লোশিংগী মতুংইন্না শা ককফম অমদা শেম্লগা মীয়াম্না চাননবগীদমক য়োনগদৌরিবা শাশিং অদু ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টকী এক্সপার্ট অমনা য়োনগদৌরিবা শাশিং অদু মীয়াম্না চাবদা মতিক চারব্রা, শা অদু চারুরগা মীওইবগী হকচাংদা করি ওইহল্লকপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনবগা লোয়ননা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী কাঙবুনসু মীৎয়েং চঙগদবনি। অদুগা শাশিং অদু মীয়ামদা ফংহনদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফসাইগী লৈজরিবা চৎন-কাঙলোনশিং অদুগী মতুংইন্না পেকেজ সিষ্টমদা য়োনগদবনি হায়বসিনি।

অদুম ওইনমক হায়রিবা কম্মিটি অসি মণিপুরদসু সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা রুল্লিংগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা অকনবা ইন্সত্রক্সন পীরকপদগী শেমখ্রবসু মসিনা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংদি ঙসি ফাওবদা হোৎত্রোং হোদুনা লৈরম্লে হায়রি।

এমসু ওফিসকী...

লামায় ১গী মখা... বেল প্রেয়র অদুগী মতুং ইন্না লৌখৎপা ক্রিমিনেল মিসেলিনস (বেল) কেস নম্বর - ৫৯ ওফ ২০২১গী হিয়ারিং পাঙথোকখি। অদুগা নুমিৎ অদুদা রিজার্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা হিয়ারিং অদুগী ওর্দরনা থা অসিগী ১৩দা ওপন কোর্টতা লাউথোক্লদুনা মহাক্কী বেল প্রেয়র পিটিসন অদু রিজেক্ট তৌরে হায়খিবনি।

মীওই ২ হাৎপগী কেসতা চেন্নবা...

লামায় ১গী মখা... কে-৪১৬ দি এসোল্ট রাইফল ১, নোংমৈসিগী মেগজিন ১, লাইফ রাউন্দ ১২, এম-১৬কী রাইফল ১ অমসুং নোংমৈসিগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ১০ য়াওবা মেগজিন অমসু রিকোভর তৌবা ঙম্লে হায়রি।

মহাক মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্লগা মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরগনি হায়রি।

মীওই অসি থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা লোৎখিবদগী ফাবা ফংদনা লৈরকখিবনি হায়রি।

শাশিন্নবা কোভিদ-১৯ টেষ্টিং রিপোর্টনা...

লামায় ১গী মখা...-১০২ বিগী পরিংদা চুড়াচান্দপুরদগী টুইভাই সেক্সন ফাওবগী জিরো কিলোমিটরদগী কিলোমিটর ১৩.৭৪৭ ফাওবগী হার্দ সোল্ডরগা লোয়ননা লেন্দ অনীগী লম্বী পাকথোকপগী থবক শূদুনা লাকপনি। মসিগীদমক মহাক দিসেম্বর ৩, ২০২০দা দেল্লীদগী এরোপ্লেন তোংদুনা ষ্টেট অসিদা লাকখিবনি। মহাক্কী কম্পেনি অসিগী হেদ ওফিসনা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবনি হায়রি।

অদুবু মহাক্লা ঙরাং চুড়াচান্দপুরদগী ইম্ফাল তম্না লাক্লগা কোলকটা ফাওবগী ইন্দিগো ফ্লাইট নম্বর ৬ আর - ২৬১৪দা তোংনবগীদমক অয়ূক পুং ৯দা চেক-ইনগী প্রোসেস তৌখি হায়রি। মতম অদুদা ইন্দিগো ফ্লাইটকী ইন্টরগ্লোব এভিএসন লিমিটেদকী এয়রপোর্ট মেনেজর সোয়াম রামেস কৌবা মীওই অমনা তঙাইফদনা এয়রপোর্ট অসিদগী এরোপ্লেন তোংদুনা চৎকদবা পেসেঞ্জরশিংদা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌবগী নেগেটিভ রিপোর্ট লোয়নরক্কদবা অদুগী মতুংইন্না মহাক্কীসু ভেরিফাই তৌবা হৌরকপদা নন লোকল অসিনা শেমজিন শাজিনবা মহাক্কী কোভিদ-১৯ টেষ্টিংগী নেগেটিভ রিপোর্ট অমা পায়রম্বনি হায়রি।

থৌদোক অসিদগী নুংথিলগী পুং ২.৩০ রোম তারকপদা সোয়াম রামেসকী মায়কৈদগী তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা মহাক্কী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৪৬৮, ৪৭১, ৪২০গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ১০২ (৭) ২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি হায়রি।

লোয়ননা মহাকপু ঙসি কেস অসিগা মরী লৈননা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটতা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ পি পিগী খূথাংদা শিংজমৈ পুলিসকী মায়কৈদগী ঙসিদগীনা থা অসিগী ২২ ফাওবগী নুমিৎ মঙানিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি। পুলিসনা তৌরক্লিবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র অদুদা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটনসু অয়াবা পীদুনা মহাকপু হায়রিবা নুমিৎশিং অসিগীদমক পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে হায়রি।

নোংইন এফ এম রেদিওগী...

লামায় ১গী মখা... ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

অদুম ওইনমক পিটিস্নর অনীগী মায়কৈদগীদি মখোয়না ওফেন্স অমত্তা কম্মিট তৌখিবা লৈতে । অদুবু মখোয়বু অরানবা এলিগেসন/চার্জশিংগী মতুংইন্না ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী পর্সনেলশিংনা ফাবা পূনবগী থবক চথরক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। মরম অদুনা মখোয়বু প্রী-এরেষ্ট বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবনি হায়রি।

পিটিস্নর অনীগী মায়কৈদগী সী আর পি সীগী সেক্সন ৪৩৮গী মখাদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদুগী মতুংইন্না কোর্ট অসিনা ক্রিমিনেল মিসেলিনস (এন্টিসিপেটরি বেল) কেস নম্বর - ৬৬ ওফ ২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুগা থা অসিগী ১৬তা মেট্টর অসিবু লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা নোংইন রেদিওগী দিরেক্টর অমসুং প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিভ অনীবু ইন্টরিম প্রী-এরেষ্ট বেল পীখি। করিগুম্বা মখোয় অনীবু কেস অদুগা মরী লৈননা ফাবা তারবদি লুপা লিশীং ৩০/৩০গী পি আর বোন্দ অমসুং মসিগা মান্নবা সিওরিটি অমমমদা থাদোক্কদবনি হায়খি।

অদুম ওইনমক পিটিস্নর অনীনা ইনভেষ্টিগেসন্দা কো-ওপরেসন পীবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেটিং ওথোরিটিদা মখোয় মশা ফংহনগদবনি। প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসশিংদা ইনফ্লুএন্স তৌরোইদবনি অমসুং কোর্টতগী মাঙজৌনবা পর্মিসন লৌদ্রবদি মণিপুর থাদোক্তুনা চৎলোইদবনি হায়বগী দিরেক্সন পীখি।

লোয়ননা পিটিসন অসি পেন্দিংদা লৈরিঙৈদা অদুগুম্বা সোসাইটিগী ঈং-তপ্পবু শোকহনগদবা অকক্লবা কাঙলূপ, লাইনীং-লিচৎ অমসুং ফুরুপ্তা পামদবা/নুংশিনহন্দবা থোকহনগদবা প্রোগ্রামশিং অদু ফোরকাষ্ট তৌদনবসু কোর্টনা নোংইন ৯০.৮ এফ এম রেদিওগী পিটিস্নর ২দা দিরেক্সন পীখি।

HIV IS TRANSMITTED THROUGH
Unprotected sex with an HIV infected person.
Sharing of HIV infected needles & syringes.
From HIV infected mother to her baby.
Transfusion of HIV infected blood or blood products.
Issued in public interest by
Manipur State AIDS Control Society
MACS
NACO
HL-B/7016/2-31july